## অন্দমানদা নিংথৌ...

*লামায় ১গী মখা...* ইপা ইপুশিংগী য়াম্না তোপ তোপ্পা, ফিদম্লিংঙাই ওইবা মওংদা নীংশিং খুভম শুংশোয় শোয়দনা শারগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনননা ঙসি য়ু সী এমদা থাজবা পীরক্লে হায়না কম্মিটি অসিগী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু সী এমগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্না মখা তানা হায়, কুমজা ১৮৯১দা মণিপুরগী থৌনা ফরবা ইপা ইপুশিংনা বৃটিশকী মায়োক্তা লান্থেংনখিবদা বৃটিশশিংনা মতমদুগী নিংথৌ মহারাজ কুল্লচন্দ্র ধবাজা য়াওনা মীওই ২৩ অন্দমান অমসুং নিকোবর ঈথৎতা লোই থাখি। থৌনা ফরবা অথৌবশিং অসিগীদমক মাউন্ট মণিপুরদা নিংথৌ কুল্লচন্দ্রগী মীতম খিনবা অমসুং অথৌবা ২২গীনা নীংশিং খুভম শাবা অদুগা মফমদুদা লমদমসিগী মীয়াম্না হৈকৎ লৈকৎ তম্বদা য়ারেক্লবা গেষ্ট হাওস/রেষ্ট হাওস শাবগা লোয়ননা মফম অদুগী সাইন বোর্দতা মণিপুর পর্ভট নেসনল পার্ক হায়না ইরিবা অদুগী মহুত্তা মাউন্ট মণিপুর নেসনল পার্ক ওন্থোকপগী অয়াবসু চীফ মিনিষ্টরনা পীরকখ্রে হায়রি।

থৌনা ফরবা ইপা ইপুশিংনা বৃটিশকী মখা পোনবগী মহুত্তা লোই চৎপনা ফৈ খনখিবা ৱাখল্লোন অসি হৌজিক্কী মীরোল খুদিংনা ইনবা মথৌ তাই। নুমিৎ তাবা লৈতে হায়নরম্বা বৃটিশকী মায়োক্তা ইপা ইপুশিংনা লান্থেংনখিবগী ৱাখল্লোন মীখা পোল্লগা হিংগদবগী মহুৎ নোংমতং ওইরবসু নীংতম্না লৈজগে হায়বগী থৌনা লিংজেল চেনগদবনি। মসিনা মাউন্ট মণিপুর থোনখিবগী ৱাহন্থোক মীয়ামদা খঙহল্লি হায়খি।

তশেংনমক থোকখ্রিবা এঙলো মণিপুর ৱার অদু বৃটিশশিংনা মণিপুরগী লৈঙাক্তা খুৎ থিংজিল্লকপদগী থোকখিবনি। মতমদুদা বৃটিশকী ওফিসর ৭ হাৎখিবগী মহয় ওইনা মখোয়না খুদুম চনখিদুনা এপ্রিল ২৭তা পাখংবা য়েকপা ফিথুপ ৯গী ফিৱাল চিংথখি অদুগা মখোয়গী ফিৱাল ওইনা চিংখৎখিবনি হায়রি।

জুলাই ৬তগী ১০ ফাওবা ঈথৎ অদুদা য়ু সী এমগী থৌমী ৫ অমসুং মীদিয়াগী মীওই ৩না হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা অথৌবশিংবু অৱাংবা থাক্তা ইকায়খুম্নখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## প্রাইম মিনিষ্টর ওইনিংবগী ৱাখল্লোনদা নিটিস কুমারনা বি জে পিদা নমথাক তৌরম্বনি ঃ অমিট শাহ

পটনা, সেপ্টেম্বর ২৩ (এজেন্সী) :

লাক্কদৌরিবা কুজা ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগী মাঙওইননা বিহারদা ঙসি পাঙথোকখিবা পব্লিক রেল্লি অমদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিস কুমারবু হুন্দুনা ঙাংখিবগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনিংবগী ৱাখল্লোননা মরম ওইরগা অফ-ফত্ত খন্থবা তৌদনা নিটিস কুমারনা বি জে পিদা নমথাক তৌরম্বনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

বি জে পিনা লুচিংবা নেসনল দেমোক্রিটিক এলাইন্সতগী নিটিস কুমারনা তোকখ্রবা মতুং বিহারদা বি জে পিগী অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবা পব্লিক রেল্লি অদুদা ৱা ঙাংলদুনা অমিট শাহনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বিহারদা লৈরিবা বি জে পিগী এম এল এ মশিংনা নিটিস কুমারগী পার্টিদগী কারকখিবা এম এল এদগী য়াম্না হেল্লি। অদুম ওইনমক লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীয়াম মমাঙদা লাওথোকখিবগী মতুংইন্না নিটিস কুমারবু বিহারগী চীফ মিনিষ্টর ওইহনখিবনি। অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর ওইনিংবগী ৱাখল্লোননা মরম ওইরগা নিটিস কুমারনা বি জে পিদা নমথাক তৌরম্লগা লালু প্রসাদ য়াদব অমসুং কোংগ্রেসকা খুৎশম্ননা চৎমিন্নখিবনি।





নিটিস কুমারগী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমদি লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইবনি। মঙোন্দা মরুপ ওইবগী থাজবা নৎত্রগা নুংশিবা লৈতে। মরম অদুনা বিহারগী মীয়াম্না হৌজিক লৈরিবা নিটিস কুমারগী অনৌবা লৈঙাক অসিদা থাজবা লৈত্রে। লাক্কদৌরিবা বিহার এসেমব্লি ইলেক্সনদা নিটিস কুমার চাওনা মায়থিবগা লোয়ননা বি জে পিগী ওইবা লৈঙাক অমা বিহারদা লৈরগনি। বিহারগী মীয়াম্না মথংগী ইলেক্সনদা নরেন্দ্র মোদিগী থম্বাল বিহারদা মনিং তম্না শাৎলগনি হায়বা খঙই। হৌজিক্তি নিটিস কুমারগী চেনফম লৈত্রে অমদি মহাক্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইনবা মঙলিবা মঙলান অদু অরেম্বদা তারগনি হায়রি।

নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা বিহারদা থুংলখিবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শহানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়া বিহারদা পায়খৎলি। অদুগী মনুংদা ষ্টেট অসিদা অনৌবা এয়রপোর্ট অমা শানবা প্রোজেক্ট য়াওরি। মীয়াম্না মথংগী ইলেক্সনদা বি জে পিদা পৱার পীরবদি বিহার চাওখৎপা ষ্টেট অমা শোয়দনা ওইবা ঙমগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## দেল্লিদা অকনবা নোং চুরিঙৈ মরক অসিদা দেঙ্গিগী কেস মশিং খঙহেন হেনগৎলকখ্রে

ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ২৩ (এজেন্সী) :

লৈবাক অসিগী কোনুং দেল্লিদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং লেপ্তুনা চুবনা মরম ওইরগা চখোক চৎশিন তৌবদা মীয়াম্না খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরিঙৈ মরক অসিদা দেঙ্গিগী কেস মশিং খঙহেন হেনগৎলকখ্রে হায়না মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।



হীরম অসিগা মরী লৈননা রোসৱাঙ্ক হোস্পিটালগী সিনিয়র কন্সলটেন্ট, পেদিয়াট্রিক এন্দ নিওনেটোলোজি দা. ৱাই সুভরনানা ফোঙদোকখিবদা ভেক্টর বোর্ন দিজিস মখল অসিনা নারক্ত্রিঙৈদা হান্না ঙাকথোক্লবা হোৎনহৌগদবনি। নোং লেপ্তুনা চুবনা মরম ওইরগা দেঙ্গিগী কেস মশিং অসি হেনগৎলকখিবা ওইরম্বা য়াই। কাঙনা চিকপদগী নাহল্লকপা নৎত্রগনা কাঙনা শন্দোকপা লায়না মখল অসি ঐখোয়না তরায়না লৌরোইদবনি মরমদি লায়না মখল অসি ঙল্লিঙৈদা মতম চানা লায়েংহৌদ্রবদি শিবা ফাওবা য়াওরি।

দেঙ্গিনা নাহল্লক্তনবা হোৎনবা হায়বসি হৌজিক্কী ওইনা খ্বাইদগী মথৌ তাবা থবক্লি। মীয়াম্না য়ারিবমখৈ হকচাংগী শরুকশিং ফিনা শীনবা থুংনবা কুপশিনগদবনি। কাঙ হিদাক থাবা অমদি কা হেন্না অমোৎপা মফমদা চঙলোইদবনি। দেল্লিদা চয়োল অমগী মনুংদা দেঙ্গিগী কেস মশিং অসি চাদা ২৫ গী চাংদা হেনগৎলকখ্রে। মসি মীপায়নিংঙাই ওই হায়রি।

অমরোমদা, ইন্দ্রপ্রস্থ এপোলো হোস্পিটালগী সিনিয়র কন্সলটেন্ট (ইন্টর্নেল মেদিসিন) দা. সুরঞ্জিৎ চেটরজিনা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক দেল্লিদা দেঙ্গিগী কেস মশিং হেনগৎলক্লিবা অসি মখা তানা অমুক্কা হেন্না হেনগৎলকপা য়াবগী ফীভম অমদা লৈরি। মরম অদুনা ঐখোয়না ঈশিং য়াম্না লৈবা মফমশিংদগী য়ারিবমখৈ লাপথোক্না লৈগদবনি অমদি য়ুমদা থম্লিবা ঈশিং হাপলিবা পাত্রশিং অদুসু য়াম্না চেকশিন্না য়েংবা মথৌ তায়। থা অসিগী ১৭ ফাওবদা দেল্লিদা দেঙ্গিগী কেস ১৫২ থেংনখ্রে। মমাঙ থাদা দেঙ্গিগী কেস ৭৫ খক্তমক থেংনখি। লাইবক ফবদগী চহী অসিগী ওইনদি দেঙ্গিনা মরম ওইরগা দেল্লিদা মীওই অমত্তা শিহন্দ্রি। পনবা য়াবদি দেল্লিদা হৌখিবা কুমজা ২০১৭ তা দেঙ্গিগী কেস ১৪৬৫ থেঙনখিবগা লোয়ননা মীওই ৩০০ হেন্না শিহনখি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## দ্রগ ফাবদা সিব সেনা মণিপুরগী য়ুঠ ৱিংনসু শৌগৎলগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৩ (ঐচএনএস) : মণিপুরগী নহারোলশিংবু ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তগী কন্নবা বি জে ৱাই এমগী প্রসিদেন্টনা লুচিংবা কাঙবুনা চঙশিল্লক্লিবা দ্রগ ফাবগী খোঙজংশিংদা সিব সেনা মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী য়ুঠ ৱিংনসু মপূং ফানা শৌগৎপগা লোয়ননা শরুক য়ারগনি হায়না সিব সেনা মণিপুরগী ষ্টেট য়ুঠকী প্রসিদেন্ট থিঙুজম প্রেমজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

বাবুপড়াদা লৈবা পার্টি ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা ৱাফম অসি লাউথোক্লদুনা মহাক্না হায়, চীফ মিনিষ্টরগী ৱার ওন দ্রগস কেম্পেয়নগী মখাদা চত্থরক্লিবা থবকশিংগী মনুং চন্না বি জে ৱাই এমগী প্রসিদেন্টগী মিৎয়েং মখাদা দ্রগ ফাবগী খোঙজংশিংদা মতেং পাংলগনি। লোয়ননা ফিজিকেল্লি, মোরেল্লি অমসুং মেন্টেল্লি মতেং পাংনবা শেম শাদুনা লৈরে হায়খি।

লোয়ননা থা অসিগী ১৬তা মোটবুং এরিয়াদা বি জে ৱাই এমগী কাঙবুনা দ্রগ ফাবা চৎপদা নুপা অমা নোংমৈনা পান্দুনা অশোক অপন নংখিবা অদুগী মতাংদদি মহাক্না নুংঙাইতবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা দ্রগ পুরম্বশিং অদুগী মায়োক্তদি অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোকখি।

## কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৫,৩৮৩ থেঙনখি

ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ২৩ (এজেন্সী) :

লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ৫,৩৮৩ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ২০ শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ৫,৩৮৩ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৫,৫৮,৪২৫ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ৪৫,২৮১ দা হন্থরকখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা শিহনখিবা মী মশিং ২০ থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,২৮,৪৪৯ শুখ্রে হায়রি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৭১ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.১০ ওইরি।

ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি। চহী অসিগী জন্যুৱারী ২৫ ফাওবদা লায়চৎ অসিনা শোকহনবা মী মশিং খঙহেন হেনগৎলকখি হায়না মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিগী ওইনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন দোজ ক্রোর ২১৭.২৬ কাপখ্রে হায়রি। লৈবাক অসিদা থেংনখিবা অপুনবা কেস মশিং ৪,৪৫,৫৭,৪২৫ কী মনুংদগী ৪,৩৯,৮৪,৬৯৫ মপুং ফানা রিকোভর তৌবা ঙমখ্রে হায়রি।

## মহৈ মরোং লৈবদা থেংথবগীদমক লৌমীশিংনা হায়ৱেশিং থিংজিল্লুরে

ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ২৩ (এজেন্সী) :

হরিয়ানাগী লৌমীশিংনা পুথোক্লিবা মহৈ মরোংশিং গভর্ণমেন্টকী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা মতম চাদা লৈবীদবদগী খোয়শাওনরবা লৌমীশিংনা ঙসি হরিয়ানাগী কুরুক্ষেত্রদা লৈবা নেসনল হায়ৱে-৪৪ থিংজিন্দুনা থম্লুরে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা লৌমী অমনা ফোঙদোরকখিবদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ঐখোয়না পুথোক্লিবা মহৈ মরোংশিং লৈবগী মতম থেংথরকপনা মরম ওইরগা ঐখোয়দা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লি। লোয়ননা নৌনা পুথোক্লিবা মহৈ মরোংশিং অসি থস্ফম লৈতবদগী অমুক্কা হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। মরম অদুনা লৌমীশিংনা পুথোক্লিবা মহৈ মরোংশিং গভর্ণমেন্টনা মতম চানা লৈদ্রবদি অকনবা মখলগী খোঙজং কয়া চঙশিল্লক্কনি হায়রি।

লৌমীশিংনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা গভর্ণমেন্ট এজেন্সীশিংনা মহৈ মরোং লৈবগী থবক হৌজিক ফাওবা হৌদবনা মরম ওইরগা মাঙবা য়াবগী ফীভমদা লাক্লে। অথুবা মতমদা মহৈ মরোংশিং অসি গভর্ণমেন্টনা লৈগদবনি হায়রি। ঙসিগী খোঙজং অদু ভারতিয়া কিষান য়ুনিয়ন (বি কে য়ু) না শীন্দুনা চঙশিনখিবনি হায়রি।


### IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING

**Ref :- Mutation Case No. 41/AS&SO I Dated:- 20/09/2022**

(1) Yengkhom Kunjabapu Singh S/o Ibohal Singh of Kakching Mayai Leikai. (Acre .0166)
(2) Do - Ningthemjao Singh S/o. do - of - do- (Acre .0166)
(3) Do - Momon Singh S/o. Goverdhon of - do- (Acre .0166)
-Petitioners

-Vs-

- Do - Ibohal Singh S/o (L) Kulla Singh of - do - -O.P.

**ꯈꯪꯍꯟ / NOTICE**
Dated :23/9/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner না/শিংনা ককচিং তহশিল খুল নং ৫৮-ককচিং খুল্লেন, পাট্টা নং ২৬৫/৩৬ (অনৌবা) দাগ নং ৫৫৬ এরিয়া .০৫ হেক্টর ইঙ্খোল অসিগী পট্টাদার এংখোম ইবোহল সিংহ, পীং মৃ: কুলা সিংহ, সাং ককচিং খুল্লেন অসি মৃ: ওইখ্রে, মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং ককথৎপিরগা Petitioner গী/শিংগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসি নামা পানখিবদা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌবীগদবনি মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Asst. Survey & Settlement Officer,**
Kakching
HL-P/4125/24

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG

**Ref :- Mutation Case No. 228/SDC/Waikhong of 2022. Date : 22/09/2022**

App :- Huidrom Sanjoy Singh S/o (L) Huidrom Nobin Singh of Waikhong Leimanai.

-Vs-

Opp :- (L) Huidrom Nobin Singh S/o (L) Chaoba Singh of Waikhong Leimanai.

**ꯈꯪꯍꯟ / NOTICE**
Dated : 22/09/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তহসিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং ৭৬-ৱাইখোং লৈম্নাই পাট্টা নং ২৭৬, ১৪৫/৪৫৬ দাগ নং ৫৯৮, ৬৯২ এরিয়া ০.৮১, ০.৭৪ একর চাওবা ফৌরেল/তাওথবী লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকরিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Waikhong
HL-P/4245/24

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: BISHNUPUR

**Ref :- Mutation Case No. 103/SDC/Bishnupur, 2022.**

1. Laishram Rupachandra Singh S/o (L) L. Mangi Singh of Bishnupur Ward No. 1.
2. Laishram (O) Anu Devi W/o L. Rupachandra Singh of Bishnupur Ward No. 1. -Petitioners

-Vs-

Nepram (N) Laishram (O) Ibemhal Devi W/o (L) L. Mangi Singh of Bishnupur Ward No. 1. -OP

**ꯈꯪꯍꯟ / NOTICE**
Bishnupur, the 23-09-2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Nepram (N) Laishram (O) Ibemhal Devi W/o (L) L. Mangi Singh of Bishnupur Ward No. 1 দা লৈবগী মিংদা পানবা খুল নং 37-Bishnupur Awang পাট্টা নং 41 (অরিবা) 304 (অনৌবা) সি:এস:দাগ নং 2215/4250 গী 0.03 চাওবা ইঙ্খোল অসি পাট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner গী/শিংগী মিংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চত্থগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector:**
Bishnupur
HL-P/4248/24

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG-IMPHAL EAST

**Ref :- Mutation Case No. 539/SDC/SWG of 2022**

Parties:-
1) Kangujam Sarat Singh S/o Surchandra Singh of Phaknung Mayai Leikai.
2) - do - Mocha Singh S/o - do - of - do -
3) - do - Chandra Singh S/o - do - of - do - -Petitioners

-Vs-

Late Pattadar:-
Kangujam Chura Singh S/o Gulap Singh of Phaknung.
-Opposite Parties

**ꯈꯪꯍꯟ / NOTICE**
Sawombung, the 20th September, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিল গী খুল ন: 35-Phaknung পাট্টা ন: ... (অরিবা) 33 (অনৌবা) দাগ ন: 145 মোট এরিয়া 0.46 একর চাওবা ইঙ্খোলগী পট্টাদার Kangujam Chura Singh অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারিশিং অসিনা মৃ: গী মিং কক্লগা মখোয়গী মমিংদা নামা পানবিরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিং আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা লাক্তুনা চে ওইনা আপতি পীরবা য়াগনি। মতুং লাকপা চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sawombung, Imphal East
HL-P/3857/24

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

**Ref :- Mutation Case No. 748/SDC/NBL of 2022.**

Chungkham Nabachandra Singh S/o Ch. Mangi Singh of Kakyai Awang Leikai. -Petitioner

-Vs-

(L) Chungkham Chand Singh S/o Khuman Singh of Kakyai Langpok. -O.P

**ꯈꯪꯍꯟ / NOTICE**
Dtd. 23/9/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 8-Kakyai Langpok (1) Patta No. 3 (O) 233 (N) Dag No. 199 area 0.32 acres Class Anganphou হায়রিবা Loufam অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদার মমিং কক্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবিরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা Loufam অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Nambol
HL-P/4249/24

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW:LAMSANG

**Ref :- Mutation Case No. 280/SDC/IW-L/2022.**

1. Lairenmayum Kullabidhu Meetei S/o (L) Ibohal Meetei of Kameng Mamang Leikai.
2. - do - Inao Meetei S/o (L) - do - of - do - -Petitioners

-Vs-

(L) Lairenmayum Ibohal Singh S/o (L) Nityai Singh of Kameng.
-OP/Party

**ꯈꯪꯍꯟ / NOTICE**
23/09/2022

U/S 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার লাইরেনময়ুম ইবোহল সিংহ পীতা মৃত নিত্যাই সিংহ সাং কামেংগী মীংদা লৈবা ই:ও: তহশিলগী খুল নং ৪৫-কামেংগী অনৌবা পাট্টা নং ২৩৭/৫৪১ দাগ নং ১২১২/১৪২৩ এরিয়া ০.৫১০০০ চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পিরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী ৭ নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পিরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector:**
IW:Lamsang
HL-P/4252/24

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW:LAMSANG

**Ref :- Mutation Case No. 278/SDC/IW-L/2022.**

Thongam Bilochana Devi D/o (L) Meino Singh of Nagamapal Paonam Leikai. -Petitioner

-Vs-

(L) Thongam Meino Singh S/o (L) Amu Singh of Khwai Paonam Leikai. -OP/Party

**ꯈꯪꯍꯟ / NOTICE**
22/09/2022

U/S 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার থোঙাম মৈনো সিংহ পীতা মৃত অমু সিংহ সাং খ্বাই পাওনম লৈকায়গী মীংদা লৈবা ই:ও: তহশিলগী খুল নং ৪৬-ফুল্লৌগী অনৌবা পাট্টা নং ২৯৩ দাগ নং ২২৪০ অমসুং ২২৩৬ গী এরিয়া ০.৯৯ অমসুং ২.৫৭ চাওবা ফৌরেলগী লম অসি মথক্তা পিরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী ৭ নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পিরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector:**
IW:Lamsang
HL-P/4252/24

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW:LAMSANG

**Ref :- Mutation Case No. 276/SDC/IW-L/2022.**

Sougrakpam Bhani Devi W/o S. Biramani Singh of Nagamapal Paonam Leikai. -Petitioner

-Vs-

(L) Thongam Meino Singh S/o (L) Amu Singh of Khwai Paonam Leikai. -OP/Party

**ꯈꯪꯍꯟ / NOTICE**
22/09/2022

U/S 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার থোঙাম মৈনো সিংহ পীতা মৃত অমু সিংহ সাং খ্বাই পাওনম লৈকায়গী মীংদা লৈবা ই:ও: তহশিলগী খুল নং ৪৬-ফুল্লৌগী অনৌবা পাট্টা নং ২৯৪ দাগ নং ২২০৩ গী এরিয়া ২.০৭৯৯৯ চাওবা ফৌরেলগী লম অসি মথক্তা পিরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী ৭ নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পিরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector:**
IW:Lamsang
HL-P/4252/24

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI.

**Ref :- Mutation Case No. 447/SDC/IW(N) Sekmai of 2022.**

Takhenchangbam Chaoba Sharma S/o T. Lukhoi Sharma of Khonghampat Mantri Leikai. -Petitioner

-Vs-

(L) Takhenchangbam Lukhoi Sharma S/o Ningthoujao of Mantri Leikai. -Pattadar

**ꯈꯪꯍꯟ / NOTICE**
Sekmai, the 22/9/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West Tahshil Village No. 22-Khamaral Under Patta No. 45 (Old) 56 (New) Covered by c.s. Dag No. 201 গী area 0.86 acres চাওবা ফৌরেল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নামা পানবিরো হায়দুনা SDC, Sekmai গী Court তা application থারক্লে অমদি লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC, Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কেস মখা চত্থজখ্রনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West North Sekmai
HL-P/4244/24

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI.

**Ref :- Mutation Case No. 439/SDC/IW(N) Sekmai of 2022.**

Tikaram Mishra S/o (L) Abikeshor Mishra of Tokpa Nepali at present Kanglatongbi Tispari. -Petitioner

-Vs-

(L) Abikeshor Mishra S/o (L) Liladhar Mishra of Kanglatongbi Tispari. -Pattadar

**ꯈꯪꯍꯟ / NOTICE**
Sekmai, the 15/9/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West Sekmai Tahshil Village No. 30-Sekmai Under Patta No. 514,515 (Old) 306/2639 (New) Covered by c.s. Dag No. 331/4068 গী area 0.15 acres চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নামা পানবিরো হায়দুনা SDC, Sekmai গী Court তা application থারক্লে, মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC, Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কেস মখা চত্থজখ্রনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West North Sekmai
HL-P/4244/24

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR:KUMBI

**Ref :- Mut. Case No. 280/SDC/KBI Dt, 20/09/2022**

1) Ringsutkhup Kom S/o (L) L. Bumpa @ Ngirkhupbum Kom of Lalumbung (West - 1.25 acres) and
2) L. Bumtinlen Kom S/o (L) L. Bumpa @ Ngirkhupbum Kom of do (East - 2.96 acres) -Petitioners

-Vs-

Ngirkhupbum Kom S/o Shingkhpring Kom of Lalumbum.
-OP/Pattadar

**ꯈꯪꯍꯟ / NOTICE**
Kumbi, the 20th September, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওই খুদিংমক্তা খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ৬০-সাগাংগী মনুংদা লৈবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টা নং ১০৮ (অনৌবা), দাগ নং ৫৩৭১ গী অপুনবা এরিয়া ৪.২১ একর চাওবা লৌফমসিদা পাল্লিবা পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃ: ওইখ্রবা পাট্টাদার মমিং কক্লগা মচানুপা ২ দা নমজরি তৌবীয়ু হায়দুনা SDC-Kumbi গী Court তা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অদুনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা মশা ওইনা লাক্তুনা অইবা চেনা Court অসিদা Objection তৌরবা য়াগনি। করিগুম্বা Objection লাক্ত্রগদি মিং ওনখ্রগনি। মখা তাবা আপতি অমত্তা লৌজরোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector:**
Kumbi
HL-P/4129/24

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW:LAMSANG

**Ref :- Mutation Case No. 277/SDC/IW-L/2022.**

Sougrakpam Bhani Devi W/o S. Biramani Singh of Nagamapal Paonam Leikai. -Petitioner

-Vs-

(L) Thongam Meino Singh S/o (L) Amu Singh of Khwai Paonam Leikai. -OP/Party

**ꯈꯪꯍꯟ / NOTICE**
22/09/2022

U/S 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার থোঙাম মৈনো সিংহ পীতা মৃত অমু সিংহ সাং খ্বাই পাওনম লৈকায়গী মীংদা লৈবা ই:ও: তহশিলগী খুল নং ৫৪-লম্বালগী অনৌবা পাট্টা নং ২০৫ দাগ নং ৪৩৫ গী এরিয়া ২.১৭ চাওবা ফৌরেলগী লম অসি মথক্তা পিরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী ৭ নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পিরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector:**
IW:Lamsang
HL-P/4252/24